**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 22-01-2026)**

**বস (এল)ঃ** মনিপুর সরকারনা ইম্ফালগী খুন্মন লম্পাক্তা লৈবা ইন্টর ষ্টেট বস টার্মিনস (আই.এস.বি.টি) ঙসিদগী অমুক হন্না মথৌ তৌবা হৌরগনি।

রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা খুন্মন লম্পাক্তা লৈবা আই.এস.বি.টি. কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা বস সার্ভিস অসি অমুক হন্না লমথাগনি। থৌরম অসিদা জিরিবাম, ককচিং, নোনে অমসুং ফেরজোল জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসশিংসু হৌদোক্কনি।

থৌরম অসিদা রাজ্যগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাগ ভাজপায় শরুক য়াগনি। আই.এস.বি.টি. ইম্ফাল নৌনা অমুক হন্না শেমগৎ শাগৎলকপগী অতেনবা ফিল্ম অমসু মীয়ামদা উৎতুনা য়েংহনগনি অমদি আই.এস.বি.টি. অমুক হন্না মথৌ পাঙথোকবা হোৎনবদা কৎথোক্তুনা মথৌ পাঙথোকখিবা বিভাগশিংগী কর্ম্মচারিশিংসু হরাউ তয়ামা ওক্তুনা ইকায় খুমগনি। তুংদা, রাজ্যপালনা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিং অমসুং রাজ্য অসিগী মনুংদা চেনগদবা মফমশিং লমথাগনি।

ঙসিদগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য অসিগী লম্বী ১২ দা বস চেনবা হৌরগনি। মফমশিং অদুদি-ইম্ফাল-তমেংলোং, উখ্রুল, কামজোং, ৱাবগাই, শুগ, য়াহঙংপোকপী, চান্দেল, লৈশাংথেম, মোইরাং, ককচিং অমদি ইম্ফালদগী য়াইরিপোকনি। মফমশিং অসিদা চৎকদবা পেসেঞ্জরশিংনা খুন্মন লম্পাক্তা লৈবা আই.এস.বি.টিদগী বস তোংগদবনি।

টিকেৎশিং বস কন্দক্তরদগী ইলেক্ট্রোনিক টেকেৎতিং মেছিন নৎত্রগা ওন লাইন বুক্কিংদা ফংগনি। মোবাইল এপ-স্তার বস মনিপুরদগীসু টিকেৎ ফংগনি।

**ভালা (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা, হয়েং মোইরাংগী আই.এন.এ. ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কদবা ১২৯ শুবা নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী মপোক

কুমওন থৌরমদা শরুক য়াগনি।

**দিবস (এল)ঃ** থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্কদবা গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরমগী মাংওইননা ফুল দ্রেস রিয়ারসেল থাংজ নুমিৎতা কংলাদা পাঙথোল্লগনি। মসিগা মরী লৈননা ত্রাফিক কন্ত্রোল ৱিং ইম্ফাল ৱেষ্টনা লন্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা থমখ্রে।

চংথোক চংশিনগী অয়াবা পীরবা মীওইশিংনা কংলাগী খা থংবা গেটতগী চংল্লক্লগা মখোয়গী গাড়িশিং কালা হেলিপেদতা খামগনি। মীয়ামনা মখোয়না পুরকপা গাড়িশিং জোনেস্তোন স্কুল অমসুং বি.টি. পার্ক পরিংদা খাল্লবা মতুংদা কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী খোঙনা চংল্লক্কদবনি।

লিলোং মায়কৈদগী লাকপা অচৌবা গাড়িশিং শিংজমৈ ফাওরগা পিশুমথোংদা চৎখিগনি অদুগা অতৈ গাড়িশিংনা মোইরাংখোমদা লাক্লগা কৈশামথোং ফাওগা চৎখিগদবনি।

ময়াং ইম্ফাল মায়কৈদগী লাকপা গাড়িশিং কৈশাম্পাৎ তারগা টিদিম লন্বী নৎত্রগা ৱাহেংবম লৈকাই লন্বীদা চৎখিগদবনি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী লাকপা গাড়ি পুমমক শঙ্গেনথোং অমসুং মিনুথোং লাল্লগা লমলোং থোং, লোকলাউবুং, থঙ্গুথোং অমসুং শিংজমৈ থোংলোমদা চৎখিগদবনি। উরিপোক কাংচুপ লন্বী মায়কৈদগী লাকপা গাড়ি পুমমক বি.টি. ফ্লাই ওভর ব্রিজ অমসুং বি.টি. রোড ফাওরগা নাগামপাল মায়কৈরোমদা চৎখিগদবনি হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই মরি অমসুং দ্রগ লল্লোনবদা চেন্নবা মীওই মঙা ফারে।

পুলিসকী পাডনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ মখা খোঙনাংফৈদেকপীদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী হকচিনবা মীওই অমা ঙরাং ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হুইকপ মখা লৈকাইদগী

এন.আর.এফ.এমগী নুপী কাডর অমা ঙরাং ফারে। থৌবাল জিলাগী লংথাবাল খুনৌ মমাং লৈকাইদগী কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) গ্রুপকীনি হায়বা মীওই অমসু ঙরাং ফাখি। মীওই অসি মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খায়দবা চেন্নবনি হায়রি।

মরক অসিদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিংগী মথক্তসু অকনবা ওপরেসন চখ্থরি। ককচিং জিলাগী পল্লেন মখা লৈকাই পাথবী লম্বীদগী দ্রগ লল্লোনবনি হায়বা মীওই অনি ঙরাং ফারে। মখোয়দগী কিলোগ্রাম ২৯৯ লোমগী হেরোইন পাউদর সপোন কেপ ২৫ ফাগৎলে। তোঙান তোঙানবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং লল্লোনবনি হায়বা মীওই অনি ককচিং জিলাগী সেকমাইজিং থোংদগী হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফাখি। মখোয়দগী খৈনি পেকেট ১১২, দিবাক টলব পান মাশালা পেকেট ৯৮ ফাগৎলে।

চান্দেল জিলাগী মোল্বী খুলদগী দ্রগ লল্লোনবা মীওই অনি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফারে। মখোয়দগী সাপোন কেপ ২২ দা হাপ্লল্বা ব্রাউন্দ সুগর গ্রাম ৩০০ ফারে। সেনাপতি জিলাগী নেসনেল হায়ৱে টু পরিংদা হাংবা নাকা চেক পোইন্টতা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা মীওই অমা সাপোন কেপ ২০ দা হাপ্পগা পুরকপা ব্রাউন্দ সুগর ফারে হায়রি।

মরক অসিদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ ওইনাম থিঙেল মখা লৈরক্তগী চহি ৭৬ শুরবী ওইনাম থোইবী দেবী কৌবী মীওই অমা হাৎলম্বগী থৌদোক্কা মরী লৈননা নুপী অসিগী মচা থোকপা মীওই অমা পুলিসনা ঙরাং ফারে। ফারবা মীওই অসিনা মীহাৎ অসি মহাকা পাঙথোকখিবনি হায়বা য়াজরে। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা অতৈ মীওইশিং ফাননবা পুলিসনা অকনবা মওংদা থিগৎপগী থবক চখ্থরি।

সেক্যুরিতি ফোর্স, ফোরেষ্ট বিভাগ, নাব অমসুং ইগজ়কিটিব মেজিষ্ট্রেট য়াওনা চুরাচান্দপুর জিলাগী সঙাইকোট পুলিস ষ্টেসননা কোনবা জি মোংলিয়ন খুলগী চীংশাং পরেংগী লম একর ১৫ রোমদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং ঙরাং য়ান্থৎতুনা মাঙহন তাকহনখ্রে। হীরম অসিগা মরী লৈননা কেস অমা সঙাইকোট

পুলিস ষ্টেসনদা রেজিস্তার তৌরে।

**আশাঃ** এক্রিদিটেদ সোসিএল হেলথ এক্তিভিষ্ট আশা ৱাকরশিংনা মখোয়গী থাগী ওনোরেরিয়ম লিশিং ১৫ ওইহনগদবনি অমদি ফংফম থোকপা ইন্সুরেন্স, মেটরনিতি লিব অমদি অতৈ খুদোংচাবশিং ফংহনগদবনি হায়বা দাবী তৌদুনা কোলকাতাদা ৱাকর খোঙজং চংশিনখ্রে।

খোঙজং অদুনা মরম ওইদুনা পুলিসকা মুকরকপদগী সহর অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনখি। ফিভম অদু য়েংলগা সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাক শেলগী থৌরাং লৌখৎলে। মখোয়গী খোঙজং অদু পুলিসনা থিংলুবদগী আশা ৱাকরশিংগা পুলিসকগী মরক্তা চাউনা মুকবা থোকখ্রে। তুংদা, আশা ৱাকরশিংগী মীহুৎশিংগা সরকারগী ওফিসিএলশিংগা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা সরকারনা মখোয়গী পীথোক্তনা লৈরিবা ওনারেরিয়ম অথুবা মতমদা পীথোকবা দাবী তৌখি। লোয়ননা মখোয়গী থাগী ফংফম থোকপা শেনফম লুপা লিশিং ১৫ দা লেপবা দাবী তৌখি। আশা ৱাকরশিংনা চংশিল্লকপা খোঙজংদা পুলিসনা চথখিবা থৌওংশিং অদুবু বি.জে.পি. অমদি অতৈ রাজনিতি দলশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখি।

**য়ুপি ঃ** উত্তর প্রদেস সরকারনা রাজ্য অদুগী রাজ ভাবনবু জন ভাবন হায়না মমিং ওন্থোকখ্রে।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না রাজ্যপালগী লৈফম মমিং ওন্থোকবা পীবা গাইদ লাইনগী মখাদা রাজ্য অদুগী রাজ ভাবনবু জন ভাবন ওন্থোক্লে হায়না সরকারনা ঙরাং লাউথোকখ্রে।

মসি লৈবাক শিনবা থুংনা রাজ ভাবনগী মমিং মথং মথং ওন্থোরকখিবা অদু য়েংলগা উত্তর প্রদেস সরকারনসু ওন্থোকবা ৱারেপ লৌখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

৫৫ শুবা ষ্টেট হুড ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, মীপুম খুদিংমকা কন্সটিট্যুসনবু ইকায় খুমবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী লো ঙাকা চৎকদবনি হায়না রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। ষ্টেটহুড ডে পাঙথোকখিবগী থৌরম অসি ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সনা লৈবাক্তা-মনিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংখিবা চহি ৫৫ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে। মোত মান্নদবা খুদিংমক ৱারী শান্নরগা তংদু লৈতাবা হনজিলহনবদা পুমমক্কী থৌদাং লৈ হায়না রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। নাগাশিংগী খোঙজংনা কুকিশিং অমত্তা চৎহনখিদ্রে। লৈঙাকা নাগাশিংদা পীখিবা থাজবা থবক্তা ওন্থোকউ হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-মনিপুরদা অনৌবা পোপুলর গভরমেন্ট পার্লিয়ামেন্টকী বজেট মীফম মমাংদা লাকপা য়াই হায়না থাজনরি হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকিনা মিনিস্তর অহুম, এন.পি.পিনা অনি পীনবা তকশিল্লি হায়বা পাউ অমসু বোক্স আইটেম তৌদুনা পাউচে অসিদা ফোংলি।

পোকফমদা-লমশাংগী এম.এল.এ. রাজেননা থারকপা ক্রিমিনেল কেস কোর্টনা থুপচিনখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। কোরকোমনা পুং ১৮ গী টোটেল সটদাউন্দ লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

২০১৪ দগী মনিপুর খুমাং য়াংশিন্না চাউখৎলক্লি হায়না প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ষ্টেটহুড ডেগা মরী লৈননা পীরকখিবা পাউজেলদা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরনা ষ্টেটহুড ফংবা নুমিৎতা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তানবা মথোং খণ্ডদবশিংনা চুরাচান্দপুরদা মীতৈ অমা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইম্ফালগী আই.এস.বি.টিদগী রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা লম্বী ১২ দা ঙসিদগী বসশিং চেনবা হৌহল্লগনি হায়না ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পিপলস ক্রোনিকলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুর পুলিস অমসুং দিল্লি পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা হুরানখিবা গাড়ি তরুক অমসুং চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎলে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-তমেংলোং জিলাদা ঙসিদগী এম.এস.টিগী বস সার্ভিস হৌরগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গনতন্ত্র দিবসকা মরী লৈননা সেনাপতি জিলাদা লম-তু শেংদোকপগী দ্রাইব চথখ্রে হায়না হিলস হোর্ন বিল এক্সপেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।